# ইন্দিয়ানা রসিয়াগা লোয়ননা ৫ শুবা জেনেরেসনগী ফাইটর জেট প্রোগ্রাম চথনবা খন্নরি



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ৮ :***

ইন্দিয়ানা ৫ শুবা জেনেরেসনগী ফাইটর জেট পুথোক্লবা জোইন্ট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা চথবা পাপ্লে হায়না রসিয়াদা খঙহনখ্রে হায়না ওফিসিয়েলগী লীখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং রসিয়াগী মখোয়গী মিলিটরিগী মরী মথংগী থাক অমদা ৱাংখৎলক্লবা ২০০৭ দা অচৌবা প্রোজেক্ট অসিগীদমক এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখি। অদুম ওইনমক চঙগদবা শেনফম পুথোক্লগদবা অমসুং শীজিন্নগদবা টেক্নোলোজিশিংগী মতাংদা য়ানদবা লৈবদগী প্রোজেক্ট অদু হৌখিবা চহী ১১ রোম থবক পায়খৎতনা লৈরকখিবনি। প্রোজেক্ট অদুদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩০ নৎত্রগা লুপা ক্রোর লাক্ষ ২ রোম চঙগনি।

ইন্দিয়াগী গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা এরোস্পেস কম্পনি অমা ওইরিবা হিন্দুস্থান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (হাল) না মঙাশুবা জেনেরেসনগী ফাইটর জেট প্রোজেক্ট অদু পায়খৎনবা কন্না তকশিল্লকখিবনি। দোল্লর মিল্লিয়ন কয়াগী প্রোজেক্ট অদুনা এরোস্পেসকী লমদা য়াম্না চাওনা ইন্দিয়াবু পূক্নীং থৌগৎকনি। হৌজিক ফাওবদা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তনা অসিগুম্বা য়াম্না মরু ওইরবা টেক্নোলোজি অসি ইন্দিয়াদা পীরকপা লৈত্রিবনি।

অদুম ওইনমক নাকল অমরোমদা মমল য়াম্না ৱাংবা চঙবা অমসুং টেক্নোলোজিগী অৱাৎপা লৈবা অদুদা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপদা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা থোইদোক্লা পূক্নীং চঙবা লৈতে হায়বা ৱাফম কয়া লৈখি।

২০১৬ গী ফেব্রুৱারীদা মতমদুগী দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকরদগী অয়াবা ফংলবা তূংদা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা প্রোজেক্ট অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নবা অমুক মখা চত্থখি।

এয়ারক্রাফ্ট অদু শাবদা শীজিন্নগদবা টেক্নোলোজি অদু খঙবগী চপ মান্নবা রাইটস লৈগদবনি হায়বসিদা ইন্দিয়ানা কন্না তকশিনখি অদুবু প্লেন অদুগী অখন্ননা মরু ওইবা টেক্নোলোজি পূন্নমক অদু লোয়নমক ন্যু দিল্লিদা খঙমিন্নবগী মতাংদদি রসিয়ানা য়াখিদে।

চঙগদবা মমল য়াওনা প্রোজেক্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা হীরম কয়ামুক্কী মতাংদা ঐখোয়গী ওইবা ফিরেপ অদু রসিয়াগী নাকলদা খঙহনখ্রে। অদুবু হীরমশিং অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদা চপ চাবা অরেপ্পা অমদি লৈত্রি হায়না প্রোজেক্ট অদুগী মতাংদা রসিয়াগা চত্থরিবা ৱারী শান্নবা অদুদা য়াওরিবা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

২০১০ গী দিসেম্বরদা ফাইটর জেট অদুগী প্রিলিমিনরি দিজাইনগীদমক দোল্লর মিল্লিয়ন ২৯৫ পীবা হায়বসিদা ইন্দিয়ানা য়াখি। মদুগী মতুংদা কোন্না এয়ারক্রাফ্ট অদু পুথোকপগী অহানবা তাঙ্কত্তা অমসুং অরোয়বা দিজাইনগীদমক ইন্দিয়া অমসুং রসিয়া নাকল অনীমক্না দোল্লর বিল্লিয়ন ৬/৬ পুথোকপা য়ান্নখি। অদুম ওইনমক মসিগী মতাংদা মখোয়না অরোয়বা এগ্রিমেন্ট অমদি তৌনবা ঙমখিদে।

ঐখোয়না প্রোজেক্ট অসিদা ঐখোয়গী থোঙ থিংজিন্দ্রি হায়না লীখুন কয়ানা ফোঙদোক্লি।

# থাইলেন্দগী শুরুংদা লৈখ্রবা অঙাংশিং কন্নবা দাভরশিংগী থবক চঙশিনবা হৌখ্রে

***থাম লুৱাং কেভস, জুলাই ৮ :***

অৱাং থংবা থাইলেন্দদা লৈবা ঈশিং থুমজিনখ্রবা শুরুং অমগী মনুংদা থোকপা য়াদনা খুদোংথিবা ফিভম অমদা লৈখ্রবা ফুটবোল শান্নরোয় নুপামচা ১২ অমসুং মখোয়গী চহী ২৫ শুরবা কোচ অদু কন্ননবা দাইভরশিংগী অরুবা মিসন অদু থবক ওইনা চঙশিনবা হৌখ্রে হায়না থাই ওথোরিটিজনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা লাওথোকখ্রে।

মফম অদুগী মতমদা অয়ূক পূং ১০ তাবদা স্পিসিয়েলিষ্ট দাইভর ১৩ না শাবা ইন্টর্নেস্নেল কন্টিনজেন্ট অমা অমসুং থাই নেভি ৫ না লৈবাক পৃম্বগী আশা অদু পুরদুনা মি সাই মাউন্টেন্সকী মখাদা লৈনুংগী টন্নেলশিংগী ঈশিংনা চোৎ-চোৎ লাওবা লম্বীশিং অদুদা কুমথবা হৌখ্রে।

ঐখোয়গী থৌরাং তৌবগী চাং অসি ঙসিনা খ্বাইদগী ৱাংবনি। ঙসি অসি দি-দে হায়না চিয়াং রাইগী গভর্ণর নারোংসাক ওসোৎথানাকোর্ননা হায়খি। ঐখোয়না চত্থরিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ইমুংশিংদা পাউ খঙহনখ্রে হায়নসু মখা তাখি।

নুমিৎ ১৫ নিরোম শুরুং অদুগী মনুংদা লৈখ্রবা নুপামচাশিংগী মরাইবক করিবু থোক্লগদগে হায়বসিদা থাইলেন্দগী মীয়াম পূম্বা লাংতক্কদুনা লৈনখ্রবনি। মীওই ১৩ অদুগী ইমুং মনুংশিংনা মখোয়গী অঙাংশিং অদু ময়ূমদা থুনমক হল্লক্লগনি হায়বগী আশাগা লোয়ননা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা খ্বাইদগী নৌবা পাউ খঙননবা টেলিভিজনশিং য়েংনদুনা লৈনখ্রে অমসুং টেলিফোনশিং শেন্নদুনা লৈখ্রে।

অঙাংশিং অদুগী মনুংদা পীরাপাট সোম্পিয়ানজাই কৌবা অঙাং অসি কাঙবু অদুনা শুরুংগী কমপ্লেক্স অদুগী মনুংদা চঙখিবা নুমিৎ অদুদা মশাগী চহী ১৬ শুখ্রে। ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা চহী ১৭ শুরবী মহাক্কী মচে ফনফাষ্টানা মহাক তেক্তা কায়দনা হল্লক্কবা মৌপ্পানুপাগী বার্থদে কেক থৌরাং তৌদুনা থম্লগনি হায়খি।

হৌজিক থাইলেন্দদা নোংজু-থা ওইবা অমসুং ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা মতূংদগী হৌখিবা রেস্ক্যু ওপরেসন অদুগী মতূং ইকুই কুইদনা নোং কন্না চুথরকখিবগা লোয়ননা নুপামচাশিং অদুবু শুরুং মনুং অদুদগী লৌথোক্কবগী রেস্ক্যুরশিংগী খুদোংচাবা অদু হন্থহনখি।

হৌজিক ৱেদর ফোরকাষ্টরশিংনা লাক্কদৌরিবা নুমিৎশিংদা কুমগী নোং অমুক্কা হেন্না চুথরক্লগনি হায়বগী মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রে। মদুমক ওইরবদি ওক্তোবর থা ফাওবা শুরুং অদু চঙবা য়াদনা লৈরগনি।

শুরুংশিং অদুগী মনুংদা চঙফম অদুদা রেস্ক্যু ওপরেসন অদুদা মতেং পাংলিবা ভলন্টিয়ারশিংনা ফোঙদোকপদা অঙাংশিং অদুবু কন্নবা হোৎনরিবা মিসন অদু 'নাও ওর নেভর' হায়বদি হৌজিক তৌহৌবা নৎত্রগা কৈদৌঙেদা তৌবা য়াররোইদবা অমগী ফিভমনি হায়খি।

নুপামচা ১২ অমসুং মখোয়গী কোচ অদু ঈচাওগী ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা অমসুং অকক্লবা ওক্সিজেন সপ্লাইগা লোয়ননা শুরুং অদুগী মনুং কিলোমিটর ৪ রোম চঙশিল্লগা লৈবা অপিকপা মফম অমদা পুল্লপ তাশিল্লগা লৈরি।

দাইভরশিংনা শুরুংগী লম্বীশিং অদুগী মনুংদগী নুপামচাশিং অদুবু অমমম ওইনা পুথোরক্লবা আশা তৌরি। মখোয়না কম্মান্দ সেন্টরদা হেক থুংলবগা অঙাংশিং অদু তোঙানবা স্পিসিয়েলিষ্ট রেস্ক্যু টিমশিংদা খূৎশিন্নখিগনি। মদুগী মথংদা মখোয়না অঙাংশিং অদুবু চেম্বর ১ অমসুং ২ দা পুগনি হায়না রেস্ক্যু ওপরেসন অসিগী মরমদা খঙবা থাই নেভি ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।




## GAS TODAY

**M M Gas**
Booking : 19/06/18
Valid : 14/06/18
Stk : 612
Commercial Available
Rate : Rs. 871/-
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 15/05/18
Valid : 10/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 19/05/18
Valid : 09/05/18
Stk : 612
Sl. No. 13750
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 15/06/18
Valid : 11/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas**
Booking : 15/06/18
Valid : 31/05/18
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**T D K Gas, Sekmai**
Booking : 31/05/18
Valid : 28/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 05/06/18
Valid : 04/06/18
Stk : 306
Sl. No. 8071
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**K K Gas**
Booking : Upto Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Porompat Gas**
Booking : 11/06/18
Valid : 17/05/18
Stk : 200/5kg Available
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 14/05/18
Valid : 28/04/18
Stk : 612
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**Patsoi Indane Service**
Booking : 30/05/18
Valid : 03/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

# ঝর্খন্দদা লাইনীং ওন্থোকহনবগী মতাংদা মীওই ১৬ ফাখ্রে

***দুমকা, জুলাই ৮ :***

ঝর্খন্দগী দুমকা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ত্রাইবেল খুলগী খুঞ্জাশিংবু মখোয়গী লাইনীং ওন্থোকহন্নবা হোৎনৈ হায়বগী মতাংদা ঙরাং থাংজ নুমিত্তা মীওই ১৬ ফাখ্রে।

খৃষ্টান ওর্গনাইজেসন অমগা মরী লৈনবা অমসুং লাইনীং ওন্থোকহন্নবা হোৎনৈ হায়বগী মরাল লৈবা মীওইশিং পুলিসনা ফারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুদা পুলিসনা শাওরবা ত্রাইবেল খুঞ্জাশিং অদুদগী মীওই ১৬ অদু য়াওনা লাইনীং শন্দোকপা ২৫ রেস্ক্যু তৌখিবা নুমিৎ নীনিগী মতূংদা মখোয় অদু ফাখিবনি হায়না কিশ্বর কৌশাল কৌবা সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

ত্রাইবেলগী লাইনীংগী য়ূম্ফম ওইবা মফমশিংগী মায়োক্তা খোন্দা থীবা ৱাহৈশিংনা চৈবগীদমক খুঞ্জাশিংনা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা মীওই ২৫ ফাজিন্দুনা থমখি হায়না কৌশালনা হায়খি।

ফূলপহারি খুলগী মকোক ওইরিবা রামেশ হেমব্রোমনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অমগী য়ূম্ফমদা মীওই ২৫ অদুগী মনুংদগী ১৬ ফারে অমসুং জেলদা থাজিনখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ৭ তি নুপীনি। অদুম ওইনমক ফারবা মীওইশিং অদুনা থবক তৌরিবা খৃষ্টান ওর্গনাইজেসন অদুগী মমিংদি পুলিসনা ফোঙদোকখিদে। ঐখোয়না হীরম অসি থিগৎলি। মসি মরুবা ৱাফম অমনি। মিষ্টর হেমব্রোমনা পুলিসতা থাঙ্গৎলকপা মহাক্কী ৱাকৎতা হৌখিবা থাখরদগী হৌনা খৃষ্টান লাইনীং চৎলু হায়না খুঞ্জাশিংদা কন্না তকশিল্লকখিবা মিসিনরিশিং অদুনা চত্থরিবা থবক অদু মহাক্না থিংদুনা লাকখিবনি হায়খি।

ফারবা মীওইশিং অদুদগী খৃষ্টান লাইনীংগী ওইবা লাইরিক অমসুং পোষ্টরশিংসু পুলিসনা ফাগৎলকখি। সেপ্টেম্বর ২০১৭ দা ষ্টেট অসিদা চৎনবা হৌখ্রবা ঝর্খন্দ ফ্রীদম ওফ রিলিজন এক্ট থুগায়দুনা লাইনীং ওন্থোক্লবা হোৎনবগী থবক চত্থরিবা কাঙবু অদু থীনবা পুলিসনা হোৎনরক্লিবনি হায়না কেস অসি থিজিল্লিবা অতোপ্পা পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

হৌখিবা চহীদা এক্ট অসি চৎনবা হৌখ্রবগী মতূংদা পুলিসনা ফাবদা মসিনা অহানবা অচৌবা মওংদা ফাবগী থৌদোক অমনি।



# মুস্লিম লো বোর্দনা ইন্দিয়াগী দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্তা শারিয়া কোর্ট লীংখৎকদৌরি

***লক্ষনৌ, জুলাই ৮ :***

ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সোনেল লো বোর্দ নৎত্রগা এ আই এম পি এল বি হায়রিবা মুস্লিমশিংগী লো ৱাথোক্কী মতাংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা বোদি অসিনা ইস্লামিক লোশিংগা চান্নবা পরীংদা ৱাথোকশিং ৱারোয়শিন পুরক্লবা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্তা দারুল-কাজা (শারিয়া কোর্টস) হাংদোক্লবা থৌরাং তৌরি।

হাংদোক্লবা থৌরাং তৌরিবা মফম অসি জুলাই ১৫ দা দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা মুস্লিম লো বোর্দকী মীফম অমদা খন্নগনি।

হৌজিক হৌজিক উত্তর প্রদেশতা অসিগুম্বা কোর্ট ৪০ লৈরে। ঐখোয়না অসিগুম্বা কোর্টশিং লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা হাংদোক্লবা থৌরাং তৌরি। মসিগী পান্দমদি অতে কোর্টশিংদা চৎপগী মহুত্তা শারিয়া লোগী মখাদা মরী লৈনবা হীরমশিং ৱারোইশিন পুরক্লবনি হায়না এ আই এম পি এল বি গী সেনিয়ার মেম্বর জাফরয়াব জিলানিনা হায়খি।

ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সোনেল লো বোর্দনা উকিলশিং, জজশিং অমসুং অচম্বা মীয়াম্বু শারিয়া লো থাঙ্গৎনবা কম্মিটি অমসু থবক হৌহনখ্রে। কম্মিটি অসি চহী ১৫ গী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। মসিনা লৈবাকসিগী মফম পূম্নমক্তা কনফরেন্স অমসুং ৱার্কসোপশিং পাঙথোক্তুনা শারিয়া লোশিংগী মতাংদা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরি। হৌজিক কম্মিটি অসি অমুক্কা হেন্না থবক কন্না পাঙথোকহন্দুনা অসিগুম্বা থৌরমশিং মশীং হেন্না পাঙথোক্লবা হোৎনহল্লগনি হায়না জিলানিনা হায়খি।

কম্মিটি অসিনা মখল-মখা কয়াগী থৌরমশিংদা পায়খৎলিবা হীরমশিংগী মনুংদা 'ট্রিপল তলাক অমসুং বিরাসাট' (দাইভোর্স অমসুং ইনহেরিটেন্স) য়াওরি।

জুলাই ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা খন্নগদবা হীরমশিংগী মতাংদা হংবদা মীফম অদুদা বাব্রি মসজিদ কেসকী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমসুং মখা চত্থরক্কদবা খোঙজংগী মতাংদা খন্নগনি অমসুং ৱারেপ লৌগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মেদিয়াদা ফোঙবা পাউগী মতূং ইন্না হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱারেপ লৌবদা মতম থেংথদুনা লৈবদু মুস্লিমশিংনা পামদে হায়না মহাক্না হায়খি।

অযোধ্যাদা রাম লাইশঙ শাবদা লুচিংবা খরনা শৌগৎপগুম তৌবা ৱাঙাং ঙাংলকখিবগী মতাংদা বোর্দকী মীফম অসি পাঙথোক্লকপনি। অযোধ্যাগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৌগদবা ৱারেপ অদু অকক্লবা থা অমগী মনুংদা থোক্লকপা য়াই অমসুং মদু অকক্লবা নাকল অমগী মীচঙদা ওইরকপা য়াই হায়না লুচিংবা খরনা ফোঙদোকখিবনি।

অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিবু ইজৎ মাঙহন্নবা হোৎনরকপা অমনি। মসি ঐখোয়না ৱাখল খন্থগদবনি। মীফম অদুদা ৱাথোক অসিমক খন্নগনি হায়না মুস্লিম লো বোর্দ মেম্বর অমনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা লৌরকপা ৱারেপ অদু ঐখোয়না য়াগনি হায়না মুস্লিম লো বোর্দনা হান্ননা ফোঙদোকখ্রবনি হায়না মহাক্না অমুক্কা হন্না নীংশিংখি।

# ঙাদা ফোর্মেলিন হাপচিনবা ফোর্মেলিননা ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদা করি করি অমাঙবা থোকহল্লি ?

***দিমাপুর, জুলাই ৮ :***

ঐখোয় মীওইবনা পাম্না চান্নরিবা ঙা দা কেমিকেল এজেন্ট অমা ওইরিবা ফোর্মেলিন অমা হাপচিন্দুনা ঙাগী মশা পুমথহন্দনবা তেকখৎনা উহন্নবা হোৎনবগী ৱাথোক থোকখ্রে।

খঙনিংঙাই ওইরিবদি ফোর্মেলিন হায়রিবা কেমিকেল এজেন্ট অসি মীগী অশিবা হকচাংশিং পুমথহন্দনা থম্নবা লেভোরেতরিশিং অমসুং মোর্গশিংদা শীজিন্নবনি। হন্দক্তা কেরলা অমসুং নাগালেন্দদা ফোর্মেলিন শীজিন্নদুনা পুমথহন্দনা থম্বা ঙা অতেকপশিং ফাগৎপগী থৌদোক থোকখ্রে। থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা অৱাং নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা অসিগুম্বা থবক অসিগী মায়োক্তা অকনবা থবকশিং লৌখৎলকখ্রে।

ফোর্মেলিন হায়বসি মীওইবগী হকচাংদা য়াম্না হু ওইবা মনম অয়াকপা গ্যাস অমা ওইরিবা ফোর্মেলদিহাইদকী মচু লৈতবা সোলুসন (চাদা ৪০ রোম) অমনি। মের্চুৱারিশিং অমসুং মেদিকেল লেভোরেতরিশিংদা হকচাংশিংবু পুমথদনবা থম্বদা মসি শীজিন্নে। কেমিকেল ফোর্মেলদিহাইদ অসি য়ূমদা শীজিন্নবা পোৎ কয়াদসু শীজিন্নবা য়াওই। নেস্নেল কেন্সর ইন্সটিট্যুটকী মতূং ইন্না মহৌশাগী ইনভাইরোনমেন্টতা ফোর্মেলদিহাইদ হায়রিবসি মশানা অদুম য়াওজে। অদুবু এনিমেল ষ্টদিশিংদা ফংবগী মতূং ইন্না ফোর্মেলদিহাইদকা হকথেংননা লোয়নদুনা লৈরবদি মদুনা কেন্সর থোকহল্লি হায়বা উৎলি।

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা লৈবা ষ্টেটশিং অমসুং কেরলাদা ফোর্মেলিন শীজিন্নদুনা পুমথহন্দনা থম্বা ঙাগী পোত্থোকশিং য়োনবগী ৱাথোকশিং থোকখ্রে। মদুগী ৱাথোকশিং অদুগী মখা তারকপদা গভর্ণমেন্টশিংনা মদু চুমথোক্লবা খোঙথাং কয়ামরুম লৌখৎখ্রে।

খুদম ওইনা হায়রবদা নাগালেন্দ ষ্টেটনা ফোর্মেলিন নৎত্রগা অদুগুম্বা মখলগী কেমিকেলশিং শীজিন্নদুনা থম্বা ঙাগী পোত্থোকশিং থম্বা, য়োন্থোকপা অমসুং য়োনবা থিংখ্রে।

ফোর্মেলিন নৎত্রগা অতে মখলগী প্রিজার্ভেটিভশিং শীজিন্নবা ঙাগী পোত্থোকশিং অসি ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার্দ এক্ট, ২০০৬ কী সেক্সন ৩(১)(জেৎ জেৎ) (৫) কী মখাদা খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না পল্লি।

অসিগুম্বা শিনিংঙাই ওইবা হুগী মশক চেনবা কেমিকেল সোলুসন অসি হৌজিক উহৈ-ৱাহৈ, ঙা অমসুং অতে চারিবা চিঞ্জাক মখল কয়া মতম কুইনা থম্নবদা পাক চাওনা শীজিন্নরি। মদুনা মীয়ামগী হকশেলদা অচৌবা অকিবা অমা পীরি।

ফোর্মেলিন শীজিন্নদুনা ঙা অমসুং অতে চিঞ্জাক্কী পোত্থোকশিংবু নুমিৎ কয়ানিরোম পুমথহন্দনা থম্বা য়াই। কেমিকেল অসি য়াম্না হু চেনবা পোৎশক অমনি। ফোর্মেলদিহাইদ চাদা ৩৭ য়াওবা সোলুসন অমগী শুপ্নগী এম এল ৩০ খক থকপদা অহল ওইরবা মীওই অমা শিবা য়াই হায়বসি চাংয়েংনা উৎখ্রবনি।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) গী শরুক অমা ওইরিবা ইন্টর্নেস্নেল এজেন্সি ফোর রিছার্স ওন কেন্সর (আই এ আর সি) না ফোর্মেলদিহাইদ অসি মীওইবদা কার্সিনোজেনিক ওই হায়বগী কেন্সর থোকহন্নিংঙাই ওই হায়না ৱারেপসি পীখ্রবনি।

আমেরিকান কেন্সর সোসাইটিগী মতূং ইন্না ফোর্মেলদিহাইদ এক্সপোর্জরনা অতে মতমদা থোকহনবা দিফেক্টশিংগী মনুংদা হুমাং অনপ্পী কাংবা, ঊনশাদা চীকপা, মীৎ-নাতোন-খৌনাউদা অশাবা পোকপা, মীৎ চোৎ-চোৎ লাওবা অমসুং লোক খুবনচিংবা য়াওরি। নুংশিৎতা য়াওবা ফোর্মেলদিহাইদকী চাং অসি পার্টস পর মিল্লিয়ন (পি পি এম) ০.১ হেল্লবদি ফোর্মেলদিহাইদকা য়াম্না চান্নদবা মীওইশিং খরদদি মথক্কী সিমতোম খরসি থোকপা য়াই।

# নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এস কী গুন্দা মানবা ৱাঙাং চৈখ্রে

***পিওংয়াং, জুলাই ৮ :***

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়াগী কোনুং পিওংয়াংদা লৈবাক অসিগী মহাক্কা ফম মান্নবশিংগা ৱারী শান্নবদা অদু অফবা থাজনবা ৱারী শান্নবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবগী পূং খরগী তুংদা নুমিৎ নীনিগী ৱারী শান্নবা অদুদা দিন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী মতাংদা য়ু এস না লৌরিবা ফিরেপ অদু গুন্দা মানবা থৌওংনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা চৈখ্রে।

কোরিয়া সেন্ত্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা থাদোরকপা অশাংবা ইংলিশ লোনগী ৱারোল অমদা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকপদা মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা কন্না তক্নরম্বা চপ মান্নবা দিমান্দ পুখৎতুনা য়ু এস না খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়খি।

য়ু এস কী নাকলনা মখোয়গী নাকল নাম্মতগী ওইবা অমসুং দিন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী গুন্দা মানবা দিমান্দ খক্তমক পুখৎলক্লি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফোঙদোক্লি।

য়ু এস না কমপ্লিট, ভেরিফাইয়েবল, ইরিভর্সিবল দিন্যুক্লিয়ারাইজেসন নৎত্রগা সি ভি আই দি হায়বদি সিঙ্গাপোর সম্মিট অদুদা লৈনখিবা ৱাখল্লোন অদুগী ওন্ন-তৈনবদনি হায়নসু মখা তাখি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা থাজনবা অদু হৌজিক থুদোংথিবগী থাক্তা লৈরে মসিনা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোক্লবগী মখোয়গী ফিরেপ হোংদোকহল্লকপা য়াই হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হায়রি। অদুবু হৌজিকসু য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পতা লৈবাক অসিনা থাজবা থম্রি হায়না মখা তাখি।

# লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা বিষ্ণু মুর্ত্তি বাংলাদেশতা ফাখ্রে

***ধাকা, জুলাই ৮ :***

মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপগী মতূং ইন্ননা অৱাং থংবা বাংলাদেশতা লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা কে জি ৭০ লুম্বা টচষ্টোন্না শাবা হিন্দুগী লাই বিষ্ণুগী মুর্ত্তি অমা ফারে হায়রি।

লৈবাক অসিগী কোনুং ধাকাদগী কিলোমিটর ২০৩ লাপ্পা নাতোর দিষ্ট্রিক্টকী পসিম হঘুরিয়া খুলদা য়ূম অমদা ঙরাং নুমিদাং রেদ চত্থবদা মুর্ত্তি অদু ফংখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংগী ৱাফম পল্লদুনা *ধাকা ট্রিব্যুন* না হায়রি।

মুর্ত্তি অদু ট্রেজরিদা খূৎশিন্নখ্রগনি হায়না নাতোর দিষ্ট্রিক্টকী দিপুটি কম্মিস্নার শহিনা খাতুন্না ফোঙদোকখ্রে।

# তর্কিনা ইমপ্লোয়ী ১৮,৫০০ হেন্না মফম লৌথোকখ্রে

***অঙ্করা, জুলাই ৮ :***

ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোরকখিবা দিক্রি অমদা তর্কি ওথোরিটিজনা পুলিস ওফিসারশিং, লান্মীশিং অমসুং একাদেমিকশিং য়াওনা ষ্টেট ইমপ্লোয়ী ১৮,৫০০ হেনববু মফম লৌথোক্লবা ওর্দর থোকখ্রে।

লৈবাক্কী সেক্যুরিটিগী মায়োক্তা থবক তৌবা টেরর ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং গ্রুপশিংগা মরী লৈনৈ চিংনবা মরমদগী ইমর্জেন্সি দিক্রি অদুদা পুলিস ওফিসার ৮,৯৯৮ য়াওনা ইমপ্লোয়ী ১৮,৬৩২ মফম লৌথোকখ্রে হায়না ওফিসিয়েল গেজেটনা হায়খি।

মফম লৌথোকখ্রবা ইমপ্লোয়ীশিং অসিগী মনুংদা আর্মিগী লান্মী ৩,০৭৭ রোম য়াওরি। অদুগা এয়ারফোর্স পার্সোনেল ১,৯৪৯ অমসুং নেভেল ফোর্সতগী ১,১২৬ সু য়াওরি।

জষ্টিস মিনিষ্ট্রি অমসুং মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসনশিংদগী সিভিল সার্ভেন্ট ১,০৫২, জেন্দরমারিদগী ৬৪৯ অমসুং কোষ্ট গার্দতগী ১৯২ সু মফম লৌথোকখ্রে।

অনৌবা দিক্রি অসিগী মতূং ইন্না ওথোরিটিজনা একাদেমিক্স ১৯৯ থবক থদৎখ্রে অদুগা মিলিটরি অমসুং মিনিষ্ট্রিশিংদগী ষ্টেট ইমপ্লোয়ী ১৪৮ দি মখোয়গী হান্নগী থবক্তা অমুক হঞ্জিনহনখ্রে।

প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িপ ইরদোগান মফম লৌথোক্লবা জুলাই ২০১৬ দা হোৎনরকখিবা অদুগী মতূংদগী তর্কিদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি থমখিবনি।

**সনা-সুদোকু -১২২১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 2 | 7 | 1 | 4 | 9 | 3 | 8 |
| 3 | 8 | 9 | 6 | 2 | 5 | 7 | 1 | 4 |
| 7 | 1 | 4 | 8 | 3 | 9 | 2 | 6 | 5 |
| 8 | 5 | 3 | 4 | 7 | 6 | 1 | 2 | 9 |
| 2 | 9 | 7 | 1 | 5 | 3 | 8 | 4 | 6 |
| 6 | 4 | 1 | 9 | 8 | 2 | 5 | 7 | 3 |
| 1 | 3 | 5 | 2 | 4 | 8 | 6 | 9 | 7 |
| 4 | 7 | 6 | 5 | 9 | 1 | 3 | 8 | 2 |
| 9 | 2 | 8 | 3 | 6 | 7 | 4 | 5 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1222**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | | 9 | | | | 1 | 4 |
| 5 | 8 | | 4 | | | | | |
| 4 | | | | | | 3 | | |
| | 6 | 8 | | | 1 | | 7 | |
| | | | | 3 | | 1 | | |
| | 9 | | | 5 | 4 | 2 | | |
| | | | | | | 5 | 6 | 1 |
| | 1 | | | | | | 8 | |
| | 7 | | 6 | | | | | |